Refreshingly Readable

হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদকী চ্যেরমেন থোকচোম হেমোনা কৈথেল ফম্বী ইমা ১২দা খূদোল তমখিবগী শক্তম অমা

লামায় ১

কোলেজ ওফ নর্সিং, মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা কোলেজ অসিগী ফাউন্দেসন দে অমদি ওথ টেক্কিং সেরেমোনিগী শক্তম

লামায় ১

COME OUT
D HAVE FUN

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিগী সকেটতা লৈবা সিলেক্ট সিটি ৱাক মোলদা মণিপুর টুরিজমনা কর্টেন রেজরগী থৌরম পাঙথোকপগী শক্তম

লামায় ১

ফূদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী টিমনা ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংবা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা য়োনবা দুকানশিংদা দ্রাইব চথবগী শক্তম

লামায় ১

Vol. 42, Issue No.224 | লৈবাকপোকপা, মেরা ২৯নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, November 06, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

কৈথেল ফম্বী ইমা ১২ দা খূদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ : হিয়াঙ্গৈ থাগী নীনি পানবদা পাঙথোকপা নিংঙোল চাক্কৌবা থৌরমগা মরী লৈননা পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদকী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর থোকচোম হেমোনা লুচিংদুনা কম্পেনি অসিগী সবসিদ্যারিশিংগা লোয়ননা ইমা কৈথেল অহুমগী অহল ওইরবী ১২ দা খূদোল তমখ্রে। ঙসি পান্থোইবী হাউজিং ফাইনান্স কম্পেনি লিমিটেদকী চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর থোকচোম হেমোনা লুচিংবা টিম অমনা ইমা কৈথেলদা চৎতুনা চহী ৯০গী মথক্তা লৈরবা ইমা ১২ দা ফি অমসুং শেল খূদোল তমদুনা ইকায় খুম্নখি। *মখা লামায় ৩ কলম৬*

ও পি দি হাংগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ : রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালদা থা অসিগী ৯ দগী ১১ ফাওবা থংনা-থংননা ছুটি লৈখিবা মরম্না থা অসিগী ১০দা ও পি দি হাংগনি হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রো. সী ঐচ অরুনকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১০ দা পেসেন্ট ক্যের সর্ভিসকী ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৫.২৫ °C	১৫.২৭ °C
চান্দেল	২৯.৯০ °C	১৩.৯৮ °C
সীসীপুর	২৬.৪৩ °C	১৩.৫১ °C
ইম্ফাল	২৪.৫৬ °C	১৩.৮২ °C
সেনাপতি	২৫.৯১ °C	১১.০০ °C
তমেংলোং	১৯.৩৬ °C	১৪.৪৬ °C
থৌবাল	২৪.৫০ °C	১৩.৬০ °C
উখ্রুল	১৯.৮৩ °C	১০.৯০ °C
মণিপুর	২৯.৯০ °C	১০.৯০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩১
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.133973
US Dollar	73.088507
British Pound	95.090124
Australian Dollar	52.592697
Chinese Yuan Renminbi	10.553145
Japanese Yen	0.645353
Malaysian Ringgit	17.506889
Australian Dollar	52.592697
Singapore Dollar	53.092375
South Korean Won	0.065058
Saudi Arabian Riyal	19.490269
Thai Baht	2.217245
Myanmar Kyat	0.04585
Bangladesh Taka	0.86909

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 32385.03
Mumbai	–	Rs 33262.03
Delhi	–	Rs 33208.56
Kolkata	–	Rs 33475.94

HL POLL

Q : Bank account tagi narolda shel hubagi cyber crime thingba ngamgani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Silencer shemdoktuna ahouba makhol thokhanba motor cycle sing fagattuna fine thihanbasi yaningbra?

Yes 89% No 11%

অস! লোইরেহে!

শেলগী মতেং তৌবীয়ু হায়না থেৎলিনে, নিদৌবা ইকায়রে...!

ꯁꯦꯜꯒꯤ ꯃꯇꯦꯡ ꯇꯧꯕꯤꯌꯨ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯊꯦꯠꯂꯤꯅꯦ, ꯅꯤꯗꯧꯕꯥ ꯏꯀꯥꯌꯔꯦ...!



ঐখোয়গুম্বা মী য়াম্লকপগী প্রোব্লেমনি!

ꯑꯩꯈꯣꯌꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯤ ꯌꯥꯝꯂꯛꯄꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯕ꯭ꯂꯦꯃꯅꯤ!

জিরিবামদগী রোহিঙ্গা নুপী অনী ফারে

মণিপুরদা রোহিঙ্গা পুশিল্লকপা মীওই খূৎপু লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): শাজিন্নবা মশাগী শক্তাক চে পায়দুনা ষ্টেট অসিদা চঙলক্লনবা হোৎনরমখিবী নুপী অনী ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফাখ্রে। মণিপুরদা রোহিঙ্গা পুশিল্লকপা মীওই খূৎপু অমা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে।

জিরিবামদগী রোহিঙ্গা নুপী অনী ফাগৎখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা জিরিবামগী এস পি , এম মুবিনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মীতোপ মীয়ানচা চঙশিল্লকপা থিংনবগীদমক জিরিবামদা হাংলিবা ফোরেন্নর চেক পোষ্টতা সিলচররোমদগী ইম্ফাল চঙলকপা পেসেঞ্জর গাড়ী খুদিংমক চেক তৌই। চেক পোষ্ট অসিদা হান্নগুম্না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা চেক চথখি। ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা টাটা সুমো (এ এস ১০ সী-২৫৮২) অসি চেক তৌদুনা ইম্ফালরোমদা চঙহনখ্রবা মতুংদা গাড়ী অদুদা তোংলকপা পেসেঞ্জরশিংগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং কুপ্না য়েংশিল্লুবদা চিংনবা য়াওরকখি। মদুদগী খূদক্তা জিরিবামগী গুলারথোল পুলিস আউটপোষ্টকী এস আই, ৱাই লাকিসদেননা লুচিংবা টিম অমনা গাড়ী অদু তান্নদুনা খামহল্লবা মতুংদা অমুক হন্না চেক তৌখি। মদুদা রোহিঙ্গা নুপী অনী অদু ফাগৎখিবনি। ফারবা নুপী অনী অসি হিন্দি, বেঙ্গোলি, মণিপুরী, ইংলিশ অমদি অসামিজ লোল খঙলমদে। মখোয় অনীনা পায়রকখিবা ভোট্টর আই-দি কার্দশিং অদু শাশিন্নবনি হায়বা খঙখি। শাশিন্নবা ভোট্টর আই-দি কার্দশিং অদুদা অমনা হাওয়ারুন নেসা (২০) অপোকপা জোইন উদ্দিন, করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট, রাম কৃষ্ণনগর পি এস, গামারিয়া ভিলেজ হায়না থারমখি। অদুগা অতোপ্পা অমনা নেনাই বিবি (২২) অপোকপা অকাদাক অলি, করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্ট, রাম কৃষ্ণনগর পি এস, গামারিয়া ভিলেজতগীনি হায়না ইরমখি।

এস পিনা মখা তানা হায়, মখোয় অনীগা ৱারী শানবদা অহানবদদি পাউ ফাওনবা ঙমখিদে। অদুবু, তপ্না-তপ্না ৱাহং-পাউহং তৌদুনা হংলুবদা নুপী অনী অসিগী মনুংদা অমনা কুশিদা বেগম (১৯) অপোকপা এম দি জোলো উদ্দিন অমদি খালিদা বেগম (২০) অপোকপা রসিদ অহমদ কৌই হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয় অনী ম্যান্মারগী বুথিদাং রখেনদগী রোহিঙ্গা কম্যুনিটিনি হায়বসু খঙবা ঙমখি।

নুপী অনী অসিনা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী অদুগী দ্রাইভর ৱাহং-পাউহং চথবদা নুপা অমনা মখোয় অনী অসি পুরক্লগা গাড়ী অসিদা তোংহল্লকপনি। ইম্ফাল য়ৌরগা ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবা জিরি পার্কিংদা মী অমা থোক্লক্কনি হায়রল্লগা চৎখ্রে হায়নসু দ্রাইভর অদুনা পাউখুম পীরকখি হায়নসু এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা এফ আই আর অমা ফোরেন্নর এক্টকী মখাদা লৌখৎখ্রে। *মখা লামায় ৩ কলম ২*

‘এম এস সী নর্সিং কোর্স থাসিগী মনুংদা হাংদোক্লবা হোৎনরি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): এম এস সী নর্সিং থা অসিগী মনুংদা হাংদোক্লবা হোৎনরি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি কোলেজ ওফ নর্সিং, মেদিকেল দিরেক্টোরেট লম্ফেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা কোলেজ অসিগী ফাউন্দেসন দে অমদি বি এস সী নর্সিং অহানবা চহীগী ওথ টেক্কিং সেরেমোনিদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, নর্সিংগী শীনফম অসি হেল্থ ক্যেরদা য়াম্না মরুওইবা অমনি। বি এস সী নর্সিং হাংদোক্তুনা হৌজিক নর্সিং মহৈরোয় কয়া মহৈ-মশিন তম্বা ফংলে। এম এস সী নর্সিংসু থা অসিগী মনুংদা হাংদোক্লবা শেম শারি। ইন্দিয়ন নর্সিং কাউন্সিলদগী অয়াবা পীরকপা ঙাইরি।

অনা-লায়েংগী শীনফমদা খুমাং চাওশিনহনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ডোক্টর, নর্সশিংনা কথোকপগা লোয়ননা মথৌ তৌদুনা অনাবশিংগী পূক্লিং পেলহনবা তঙাইফদে। অনাবা অমনা হোস্পিটাল য়ৌরগা ফরগনি হায়বগী ৱাখলদা লাকচরিবনি। অনাবশিংবু ডোক্টরশিংনা অঙম্বা থাক্তা লায়েংবগী থবক চথবা তাই। নর্সশিংনসু নীংথিনা অনাবশিংবু য়েংশিনবীদুনা হোৎনবীবা চঙই। ষ্টেট অসিদা অহৈবা ডোক্টর মশীং য়াম্না লৈরিবনি। অনা-লায়েংগী লম্দা তাথোক-তাশিন তৌদুনা হেল্থ ক্যের সিষ্টেম চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নবা চঙই।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হেল্থ ক্যের সিষ্টেম অসি ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*

দিল্লিদা সঙাই ফেষ্টিবেলগী কর্টেন রেজর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): নবেম্বর ২১ দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিগী সকেটতা লৈবা সিলেক্ট সিটি ৱাক মোলদা মণিপুর টুরিজমনা কর্টেন রেজরগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা পদ্ম ভুষন এৱার্দি মেরিকোম, অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবী সরিতা লাইশ্রম অমসুং ইন্দিয়ন ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন ওইরম্বা পি কেনেদিনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর টুরিজমগী ওফিসলশিংনা ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা খ্বাইদগী চাউবা টুরিজম ফেষ্টিবেলগী মতাংদা লৌখৎলিবা শেম-শাবগী থৌরাংশিং ফোঙদোকখি। টুরিজম কোর্পোরেসন ওফ মণিপুর লিমিটেদকী চ্যেরমেন ডা. সাপম রঞ্জননা হায়খি, নবেম্বর ২১ দা মণিপুরগী কোনুং ইম্ফালদা সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। বিষ্ণুপুর অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতসু ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপগা লোয়ননা হাফ মরাথোন, ৱাটর স্পোর্টস অমদি ট্রেকিংনচিংবা তোঙান-তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি।

কেপিটেল সিটিদা লৈরিবা মীয়ামদা ফেষ্টিবেলগী মরিক চুম্বা পাউদম পীনবা মফম অসিদা লাকপনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মণিপুরদা সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা থোইদোক হেন্দোক্না নীংথিজরবা মফম কয়া উবা ফংগনি। কৈবুল লমজাওগী ফ্লোটিং নেসনল পার্ক মালেমগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

লুপা লাখ ২৯ লোমগী দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): লৈঙাক অমদি লন্নাই ওর্গনাইজেসন কয়ানা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা থিংননবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিঙৈ চৈরক অসিদা মালেমগী কৈথেলদা লুপা ২৯, ২৭,০০০ লোমগী মমল ওইগদবা ৱর্ল্ড ইজ য়োর (দব্লিয়ু ৱাই) টেব্লেটকা কোন্না নুপী অমা কাংপোকপী পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসগী পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.১৫ রোম তাবদা কাংপোকপী পুলিসকী এদিসনল এস পিকী মীৎয়েং মখাদা কাংপোকপী পুলিসগী এ এস আই ফলখোনৈ শীংসোন অমদি নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা কাংপোকপী থোংগী মনাক্তা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নীংহন্নবা তৌদনা হোৎনগদবনি : খেমচান্দ

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মহৈরোয় ওইরিঙৈগী মতম অসি হোৎনবা লেপ্পা য়াদে। হীরম খূদিংমক্তা নীংহন্নবা তৌদনা পান্দম ফংনবা হোৎনগদবনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ঙসি মিলিনিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেস ক্বাকৈথেল ময়াই-কোইবীদা পাঙথোকখিবা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি ১২ মিলিনিয়ম ৱীক ওফ মিলিনিয়ম ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্সেসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, মহৈরোয় ওইরিঙৈ পূন্সি হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। শান্ন-খোৎনবগী লম্দা হৌরকপা অমা ওইনা মেদল কয়া ফংলকই। ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ য়াওনবা সেলেক্সন তৌরবসু চেম্পিয়নশিপ অসি য়াওনবা শেল লৈতবদগী চৎহৌদে। শান্নবা লেপ্পগা শান্নবা তম্বীবগী থবক ওইনা হৌরকখি। হোৎনবা হায়বসি লেপ্পা য়াদে। মহৈরোয় ওইরিঙৈ পূন্সিদা ক্লাস টুয়েল্ব লোইবদগীদি কেরিয়র শেম্নবা অমুক হোৎনরক্কদৌরিবনি। মহৈ-মশিন তম্বদা পূক্লিং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা স্কুল অসিগী কো-ফাউন্দর পি রোবিননা ফোঙদোকখিবদা, ইচম চম্বা প্রাইভেট স্কুল অমদা স্পিকরনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

অহানবা ওইনা পুলিস সাইকল পেট্রোল য়ুনিট হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা অহানবা ওইনা লম্বী সোরোক্তা সাইকল থৌদুনা পেট্রোল্লিং চৎকদবা *পুলিস সাইকল পেট্রোল য়ুনিট* ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ষ্টেসনদা হাংদোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শীন্দুনা ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী কম্পাউন্দদা পাঙথোকখিবা সাইকল পেট্রোল য়ুনিট হাংদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুসিল (আই জি পি) জোন ৱান ক্লে খোঙসাইনা অথোইবা মীথুং, দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল (দি আই জি) রেঞ্জ টু কে রাধাশ্যাম অমসুং ককচীংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর নৈলেনথাং টেলিএননা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা আই জি পি জোন ৱান ক্লে খোঙসাইনা হায়খি, ককচিংগী এস পি ভোক্টোরিয়া য়েংখোম্না তুংগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোন অমা পুথোরক্তুনা ঙসি মণিপুরদা অহানবা ওইনা হৌদোক্লিবা সাইকল পেট্রোল য়ুনিট অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। খোঙথাং অসিনা হীরম কয়াদা চাওনা কান্নবা পীবতা নৎতনা পুলিস দিপার্টমেন্টদসু কান্নহল্লগনি। মরুওইনা মণিপুরগীদমক পেট্রোল অমদি দিজলনচিংবসু সেভ তৌহল্লগনি।

মণিপুর পুলিস অসি গাড়ি লৈরগা থাউ লৈতবগুম্বা, থাউ লৈরবসু গাড়ি য়াদে হায়বগুম্বা হেক হেক থোকই। পুলিস পর্সনেলশিংনা থেংনরিবা খূদোংচাদবা অসি কোকহনবদা শোয়দনা খরমখৈদি মতেং পাংলগনি। পুলিসনা মীয়ামগা ৱারী-ৱাতাই শাননবা গাড়ি থৌজিল্লুবদা মীয়াম্না মীপাইবা পোক্লবা য়াওই। অদুবু সাইকল ওইনা থৌজিল্লবদি মীয়ামদা মীপাইবা অদু ফাওররোই। মীয়াম্না পুলিসপু হেন্না হরাও তরাম্না ওক্কনি। য়াম্না মরু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মাংওইননা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নিংঙোলগী খূদোল তম্নবা পোৎ লৈবা লাক্লখিবগী শক্তম

মনিটেক্স হৌদোকখ্রে, ফিশাকোন ১৮১৫ য়েন্থোকখ্রে

‘সিলচর-ইম্ফাল এল পি জি গ্যাস পাইপলাইন তিংবগী অয়াবা পীরক্লে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): সিলচরদগী ইম্ফাল ফাওবা এল পি জি গ্যাস পাইপলাইনদা তিংনবা অয়াবা পীরক্লে হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি লম্ফেলইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ট্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা পাঙথোকখিবা মণিপুর ইন্টরনেসনল টেক্সটাইল এক্সপো হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ওর্গনাইজিং কিম্মিটি মনিটেক্স, দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মনিটেক্স হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, চাকথোং গ্যাসকী অৱাবা লৈহন্দনবা লৈঙাক্না মীৎয়েং কয়া চঙলকপগী মনুং চন্না সিলচরদগী ইম্ফাল ফাওবা এল পি জি গ্যাস পাইপলাইনদা পুরক্লবা মিনিষ্ট্রিদা তক্লরকখিবনি। পাইপলাইনদা পুরকপগী ৱাফম অসি মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরক্লে। থবক অসি পায়খৎলক্লবদি এল পি জি গ্যাসকী অৱাবা হন্থহল্লগনি। লম্বীদা চীং-নীংখায়বনচিংবা থোক্লকপা মতমদা মপান্দগী এল পি জি পুশিল্লক্কদবা গাড়ী পনবদগী খূদোংচাদবা থেংনবা কয়া অদু পাইপলাইনদা পুরক্লবদি লৈররোই।

সা রে গা মা পা ২০১৮ চাংদম্নবদা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখ্রবী মণিপুরদগী শৈশকপী মন্দাকিনীদা মিনিষ্টর, এম এল এশিং য়াওনা খায়নরগা লুপা লাখ ১০ পীরগনি। ইন্দিয়াগী শৈশকপা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা চাংদম্নবা অসিদা মণিপুরদগী শৈশকপী মন্দাকিনীনা পীরিবা পর্ফোর্মেন্স অসি অসুক্কী মতিক শীংথানিংঙাই ওইখ্রে। মীৎ উবগী পাঙ্গল ৱাৎলবী শৈশকপী অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা চাওখ্রবা চাংদম্নবা অসিদা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপা হায়বসি অসুক্কী মতিক নুংঙাই। শৈশকপী অসি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌরক্লবনিনা অহানবা মনা লৌবা, লৌদবা থিদনা লুপা লাখ ১০ পীরগনি।

ফিশা-লোনশাগী লম্দা মণিপুর অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা শীং-থানিংঙাই ওইরিবা লমদম অমনি। ঙসিদগী হৌগদৌরিবা মনিটেক্স অসি য়াম্না মরু ওই। ফিশাবীশিংনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং অসি য়োকখৎপা চঙই। ফিশা-লোনশাগী লম্দা ষ্টেট অসিগী নুপী ওইবীশিংদা থোইদোক-হেন্দোকপা হৈথোই-শিংথোইবা কয়া য়াওরিবনি। এপ্পরেল এন্দ গার্মেন্ট মেক্কিংগী থবকসু হৌনবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরে। চাইনারোমদগী পুরকপা ফিশিং ইন্দিয়াগী অচৌবা ষ্টেটশিংনা ফুরিৎ অমসুং শেৎন-চানবা কয়া তুরগা মণিপুরদা পুশিল্লক্লি। চাইনাদগী পুরক্লিবা ফিশিং অসি মণিপুরদা পুশিল্লক্লগা ফিরোল তুনবগীদমক থৌরাং ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মপান্দগী পুরকপা ঙা য়োনবা দুকানশিংদা দ্রাইব চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): ইম্ফালগী মরুওইবা মফমশিংদা হাংবা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙা য়োনবা দুকানশিংদা ঙসি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ফূদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা দ্রাইব চথখ্রে।

নাগামপাল, উরিপোক, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলনচিংবা মফমশিংদা হাংবা দুকানশিংদা য়োল্লিবা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অদুদা মীওইবগী হকচাং শোকহনবা য়াবা ফোর্মেলিন য়াওব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌখি।

ফূদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসনগী টিম অদুনা দুকানশিং অদুদা য়োল্লম্বা তোঙান-তোঙানবা ঙা মখলশিং অদু রেপিদ ফোর্মেলদিহাইদ দিটেক্সন কিটশিং শীজিন্নদুনা ফোর্মেলিন য়াওব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌখিবনি। দুকান তরেৎতা য়োল্লম্বা তোঙান-তোঙানবা ঙা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

টেগোর এৱার্দ ফংলকখ্রবা সিংহজিৎ লৈঙাক্লা শকখঙবীদবা লাইবক থীবনি : জয়কিষন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা আর্ট এন্দ কলচর য়োকখৎনবা লাউরবসু ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইরবা টেগোর এৱার্দ ফংলকখ্রবা ষ্টেটসিগী আর কে সিংহজিৎপু মণিপুর লৈঙাক্লা শকখঙবীদবা অসি লাইবক থীবনি হায়না এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

উষা সিনেমা হোল ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকখিবা হ্বাইট এপ্পল ইন্টরটেন্টমেন্ট য়ুনিয়ননা পুথোকপা *মঙলান* হায়না মিংথোনবা ফিল্মগী প্রেমিয়র শো উৎপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, ষ্টেটসিদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা আর্ট এন্দ কলচর য়োকখৎনবা ৱাফম ইতৎ তৎতনা ফোঙদোকপা লৈখি। লাইবক থীবদি ইন্দিয়াগী ওইনা য়াম্না তাঙলবা ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা টেগোর এৱার্দ মণিপুরগী আর কে সিংহজিৎনা ফংলকপদা ষ্টেটসিগী লৈঙাক্লা ৱাফম অমা ফাওবা পনবীদবা লাইবক থীবনি। জগোই, কোরিওগ্রাফর অমদি লম্ কয়াদা শক্লাইরবা আর কে সিংহজিৎতা য়াম্না ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা টেগোর এৱার্দ শীন্নরকখিবনি। এৱার্দ অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা শরুক য়াদুনা পীবা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী তাঙলবা মমল য়াল্লবা টেগোর এৱার্দ অসি আর কে সিংহজিৎনা ফংলকখিবা অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা মহাক্কী মমিং পল্লগা ৱাফম অমা ফাওবা ফোঙদোকপা লৈতে।

নোর্থ ইষ্ট অমদি ইষ্টর্ন জোনগী ওইনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ꯑꯔꯖꯦꯟꯇꯂꯤ URGENTLY REQUIRED ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯦ

Applications are invited from the willing M&F candidates for the following post.

DETAILS OF SERVICE :

Sl.	Post	Qualification	Experience	Age	Salary	No. of Post
1.	Computer Operator	DCA/BCA	1 yr Above	25 yrs & above	Negotiable	2 (M)
2.	Customer care	Graduate Fluency Eng.& Hindi	1 yr Above	25 yrs & above	Negotiable	2 (M/F)
3.	Driver	VIII Pass	2 yrs Above	25 yrs & above	6000 + Allw.	20 (M)

Last date of form submission :- 12/11/2018

Imphal Finance Co-op. Thrift & Credit Society Ltd.
H.O.Loklaobung,B.O.M.G. Avenue,Paona Bazar
& Bishnupur Bazar Contact : 7005703687

HL-B/5552/21/10-20/11

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫